ক্রুপশিং লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা অফঘানদা সিভিল ৱার থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ: ইম্রান

লাহোর, জুন ২১ (এজেন্সী) :

অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা তং তাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিঙৈদা য়ু এস অমদি নেটোনা অফঘানদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা থনম্বা ক্রুপশিং লৌথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা অচৌবা সিভিল ৱার অমা থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা ফোঙদোরকখ্রে।

পাকিস্টানদা য়ু এস আর্মীগী বেজ অমত্তা লৈহল্লোয় হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোক্ত্রিঙৈদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা অমা হান্না পুরক্নবা হোৎনহৌগদবনি।

সেপ্তেম্বর ১১ ফাওবগী মনুংদা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা অফঘানদগী মখোয়গী ক্রুপশিং লৌথোক্কনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদনা লৈরি। অফঘানদা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিগী লৈঙাক অমা নৎত্রগনা টালিবানগী লৈঙাক হায়না তোঙান্না লৈবা য়ারোই।

নাকল অনীমক অমত্তা ওইনা পুনশিনবা মথৌ তারি। মসি নত্তনা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী ৱারোইশিন অমত্তা লৈতে। য়ু এসনা মখোয়গী ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা শুংশোই শোয়দনা সিভিল ৱার থোকহল্লকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। টালিবাননা অফঘানিষ্টানগী দিষ্ট্রিক্ট কয়া মপুং ফানা লৌশিনবা ঙমখ্রে। মখা তানা টালিবাননা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং লেপ্পা লৈতনা চথরক্লবদি মীশি মীনা কয়া থোক্লবতা নত্তনা পাকিস্টানদসু অচৌবা চৈথেং পীরবা য়ানা লৈ হায়রি।

অমরোমদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর খাননা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা য়ু এস মিলিটরি বেজশিং পাকিস্টানদা থম্লগা অফঘানদা ওপরেট তৌহনবা হায়বসি পাকিস্টাননা কৈদৌনুংদা য়ারোই।

ওবামাগী মতমদা পাকিস্টাননা তুমিন্না য়ু এস দ্রোনশিং লৈবাক অদুদগী ওপরেট তৌহনবদা অয়াবা পীখি। অদুবু ৱাশিংটননা ৱাফম অমত্তা খঙহল্লমদনা পাকিস্টানদা য়ু এস মিলিটরিশিং লৈদুনা থবক তৌরি হায়না ফোঙদোরকখিবা অদু পাকিস্টানগা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অফঘানদা লান্না উহন্নবা হোৎনখিবনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

গাজাগী মীয়াম্না মখোয়গী লৈফমশিং অমুক হন্না শেমগৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি

গাজা সিটি, জুন ২১ (এজেন্সী) :

হৌখিবা চহী ১২ রোম অসিদা গাজাদা ইজরেলনা চত্থখিবা মিলিটরি ওপরেসন কয়ানা মফমদুদা লৈবা য়ুম কৈ কয়া অমাং অতা থোকহনখিবতা নত্তনা কয়া অমা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎনহনখ্রে। অদুবু শাংখ্রবা চহী ১২ গী মতুংদা ইজরেলি এয়র ষ্ট্রাইক মখা তানা চত্থরক্লোই হায়বগী থাজবা অমগা লোয়নননা নৌহৌননা বিল্ডিংশিং শেম শাবগী থবক চত্থখি।

খঙহৌদনা অমুক হন্না ইজরেলনা নুমিৎ ১১ নি লেপ্পা লৈতনা এটেক চত্থরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মে থা খক্তদা য়ুম ১,১৪৮ অমসুং কম্মরসিয়েল য়ুনিট ১৫,০০০ রোম মাঙ তাকহনখি। অদুগা মীচম লাক্ষ অমরোম ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা গাজাদা লৈরিবা মীয়াম্না মখোয়গী লৈফমশিং অমুক হন্না শেমগৎ শাগৎপগী থবক চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়রি।

গাজাদা হিংহৌরিবা মীওইশিংনা লৈনবা য়ুম কৈ অমুক হন্না শেমজিনবা হৌরক্লবা মতুং এটেক চত্থদুনা অমাং অতা থোকহনখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। মীওই লাক্ষ কয়া মতম খরাগী ওইনা লৈনবা শাবা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা মশাগী চহী ৩৯ লোম শুরবা রামেস অল-মসরিনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা ইজরেল মিলিটরিনা গাজাদা চত্থরকখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা মহাক্কী মথোল অনী ৱাংবা বিল্ডিং অদু মীৎনা কুপ্পদা মাঙখি।

থৌদোক্তুনা মরম ওইরগা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই খুদিংমক ময়ুম লৈতবা মীওইশিং ওইহল্লে। চহী অদুগী মে ১৪ দা ইজরেলি মিলিটরিনা মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহল্লকপগা লোয়নননা এয়র রেইদ চত্থরগনি হায়না লাউথোরকখিবনি। মিলিটরিনা লাউথোকখ্রিবা ৱাফম অদু মীয়াম তানবা লাউথোকখিবা নত্তে। মখোয়গা নক্নবা মীওই খরদা ইচম চম্না চেকশিন্নবা পাউনি। লাইবক ফবদগী মহাক্কী মমান্নবা অমনা থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ পীরকখি।

অয়ুক্কী পুং ৩ রোম তারকপা মতমদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা লোয়নননা মরু ওইবা পোৎ চৈ খরা বেগতা হাপচিল্লগা মনাক নক্না লৈবা হোস্পিটাল অমদা চঙজফম লৌদুনা লৈখি। হৌজিক মহাক্কী মরী মতা অমগী ময়ুমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। পনবা য়াবদি পেলিষ্টিনিয়ন রেবেল গ্রুপ হমাজ অমসুং ইজরেল মিলিটরিগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখ্রবসু মখা তানা ইজরেলনা রেবেলশিংনা লৈরম্বা য়াই চিংনবা মফমশিংদা টার্গেট তৌরগা এটেক চত্থবগী থবক্তি লেপ্পা লৈত্রি।

টাইমস স্কৱারদা মীওই কয়ানা যোগা তৌনখি

ন্যু য়োর্ক, জুন ২১ (এজেন্সী) :

ইন্তরনেস্নেল যোগা দে নুমিত্তা ন্যু য়োর্ক্কী টাইমস স্কৱারদা মীওই ৩,০০০ হেনবনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্লা যোগা অসনশিং পাঙথোকখ্রে।

ন্যু য়োর্কতা লৈবা কন্সুলেট জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা টাইমস স্কৱারগা খূৎশম্নরগা ৭শুবা ইন্তরনেস্নেল দে ওফ যোগগী থৌরম অমদু পাঙথোকখিবনি। টাইমস স্কৱারদা চহী খুদিংগী ইন্তরনেস্নেল যোগা দেগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

হন্দক চহীগী ওইনদি কোভিদ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা মমাং চহীদা তৌখিবগুম মীওই য়াম্না তিল্লগা পাঙথোকপদি ওইখিদে। শুপ্নতংগী মীওই ৩,০০০ খরা হেনবনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। ইন্দিয়াগী কন্স্যুল জেনরেল রনধির জসৱালনা ফোঙদোকখিবদা যোগা চাং নাইনা তৌবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না তঙাইফদ্রবা অমনি।

চাং নাইনা যোগা তৌবনা হকচাং ফনা লৈহনবতা নত্তনা লায়না তিন্না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। মালেমগী মীপুম খুদিংমক্না যোগবু য়াম্না পাম্নরক্লিবা অসি মীওইবগী পুন্সি মহিং অমদি হকচাংদা মসিনা পীরিবা কান্নবা অদু খঙবগী চাং হেনগৎলকপদগীনি হায়রি।

সাওদি দিফেন্স সিষ্টেমদা অকায়বা পীবা ঙম্লোই

অভা, জুন ২১ (এজেন্সী) :

সাওদি অরবিদয়াদা য়ু এসনা হান্না পীরম্বা মিলিটরি এসেটকী চাংদগী হন্থনা পীরক্লিবা অসিনা লৈবাক অদুগী দিফেন্স কেপাবিলিটিদা অকায়বা অমদি অহোংবা পীবা ঙম্লোই হায়না সাওদি ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাশিংটননা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মিদল ইষ্টতা মখোয়দা দিপ্লোয় তৌরম্বা ক্রুপশিং অমদি এয়র দিফেন্স য়ুনিট খরা লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং সাওদিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। য়ু এসনা মিদল ইষ্টতগী ক্রুপ অমদি খূৎশু খুৎলাইশিং লৌথোকপা হৌখিবা অদুগা মরী লৈননা সাওদিদগী পেত্রিয়োট বেত্রিশিং অমদি এন্টি মিসাইল সিষ্টেম অমা লৌথোকখিবনি।

য়ু এসনা মখোয়গী এসেটশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং য়েমেনদা বেজ তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মিসাইল কয়া সাওদিদা কাপশিল্লকখি। সাওদিগী লৈজরিবা এয়রদিফেন্স সিষ্টেমনা রেবেলশিংনা কাপশিল্লকখিবা মিসাইলশিং অদু নোংথক্তা মায় পাক্লা মাঙহনখি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি। ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না সাওদিনা মশা ঙাকথোকচবা ঙম্বগী শক্তি অদু হৌজিকসু লৈরি।

কুমজা ২০১৫ দগী হৌরগা য়েমেনগী হৌথি রেবেলশিংবু মুথৎনবা হোৎনবদা য়ু এসনা সাওদি অরবিয়াগী মতেং পাংলমখিবা অদুগীদমক্তদি থাগৎপা ফোঙদোকই হায়রি।

নাইজেরিয়ন পুলিস ওফিসর অমনা মীওই ৫ কাপ্তুনা হাৎখ্রে

লাগোস, জুন ২১ (এজেন্সী) :

নাইজেরিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা ঙসি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংগী মনুং চন্না নাইজেরিয়ন পুলিস ইন্সপেক্তর অমনা মীওই ৫ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়নননা মরি অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় দেনিয়েল দ্যুপনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইনুগুদা লৈবা রেসিদেন্সিয়েল ইষ্টেট অমদা থোকখবনি। পুলিস ওফিসর অদুনা মফমদুদা লাক্লগা হান্না লৈরম্বা মীয়াম অদুদা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি।

থৌদোক অদুদা মীওই ৯ নোংমৈনা পানবদগী শোকখি। খুদক্তা মখোয় ৯ মক মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চত্থখি। অদুমওইনমক মীওই ৫ দি কা হেন্না শোকখিবনা মরম ওইরগা শিরে হায়না ডোক্তরশিংনা লাউথোরকখিবনি। মখোয় ৫ গী হকচাং অদু ওটোপসিগীদমক মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

থৌদোক্তুনা চেন্নরিবা ইন্সপেক্তর অদু ফারে, মহাক্না করি মরমগীদমক নোংমৈ কাপ্তুনা মীয়াম অশি অনা থোহনখ্রিবনো হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। নাইজেরিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুকশিংদা হৌখিবা থা খরা অসিদা শকখঙদবা খুৎলাই পায়বশিংনা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা এটেক চত্থবগী থবক হেনগৎলক্লি। অদুমওইনমক সেক্যুরিটি ফোর্সনা মীয়ামদা এটেক চত্থখিবা অসিদি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিজিনিয়স পিপলস ওফ বায়ফ্রা (আই পি ও বি) না সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা য়াম্না তোয়না এটেক চথৈ হায়না গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী চার্জ তৌরক্লি। অদুবু আই পি ও বিনদি গভর্ণমেন্টকী ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা চত্থখিবা এটেকশিং অদু মখোয়গা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রি।

ঙসিগী থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা পুলিস ওফিসর অদুগী চপ চাবা ইনফোর্মেসন পুলিস দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুবু মরাল লৈবা মীওই অদুগী মথক্তা লিগেলগী ওইবা চপ চাবা এক্সনশিং লৌখৎকনি হায়না মকোক থোংবা পুলিস ওফিসর অমনা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।

জর্মনিনা রুসিয়ন সাইন্টিষ্ট অমা ফাজিন্দুনা থমখ্রে

বরলিন, জুন ২১ (এজেন্সী) :

জর্মন ফেদরেল প্রোজিক্যুসননা ঙসি ফোঙদোকখিবদা জর্মন ওথোরিটিনা রুসিয়ন সাইন্টিষ্ট অমা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা ইনফোর্মেসনশিং হুরান্নবা হোৎনরম্বগীদমক ফারে হায়রি।

সাইন্টিষ্ট অসিনা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা ইনফোর্মেসনশিং জর্ম্মন য়ুনিভর্সিটিদগী মোস্কোদা থানবা হোৎনরমখিবনি। মখোয়না ফারবা সাইন্টিষ্ট অদুগী চপ চাবা মমিং মথা মখোয়না খঙবা ঙমদ্রি। মহাক মমাং চহীগী ওক্তোবর থাদগী হৌরগা রুসিয়ন সেক্রেট সার্ভিসতা থবক তৌরকখিবা মীওই ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি।

জর্মনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমদা ফারবা রুসিয়ন অদু নেচরেল সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টনা রিসোর্ছ এসিষ্টেন্ট ওইনা লৈবনি। মহাক্না মমাং চহীগী ওক্তোবর থাদগী হৌরগা হন্দক্কী থা অসি ফাওবদা রুসিয়ন ইন্টিলিজেন্সশিংগা অহুমলক উন্নখিরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়না ফেদরেল প্রোজিক্যুটরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

উন্নখিবা অদুদা মহাক্না লৈবাক অসিগী অমদি য়ুনিভর্সিটি অদুগী মতাংদা ইনফোর্মেসনশিং পীথোকখি। জর্ম্মন ওথোরিটিশিংনা ফারবা মীওই অদুগী ময়ুম অমদি মহাক্না থবক তৌরিবা মফম অদুদা চত্তুনা থি হুন্দ্বগী থবক চত্থখ্রে। মহাক থাংজ নুমিত্তা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখিবনি।

ক্রেমলিন ক্রিটিক এলেক্সে নভালনিদা ফুদ পোইজিনিং তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা রুসিয়া অমসুং জর্ম্মনগী মরক্তা চয়েৎনবা কয়া হৌজিক হৌজিক লৈরিবনি।

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	179,326,777	+80,906	3,883,530	+1,549	163,886,986	11,556,261
1	USA	34,406,001		617,166		28,711,315	5,077,520
2	India	29,935,221	+860	388,164		28,844,199	702,858
3	Brazil	17,927,928		501,918		16,220,238	1,205,772
4	France	5,757,311		110,738		5,556,586	89,987
5	Turkey	5,370,299		49,185		5,232,638	88,476
6	Russia	5,334,204	+17,378	129,801	+440	4,878,333	326,070
7	UK	4,630,040		127,976		4,301,985	200,079
8	Argentina	4,268,789		89,043		3,890,213	289,533
9	Italy	4,252,976		127,270		4,037,996	87,710
10	Colombia	3,945,166		99,934		3,667,161	178,071
11	Spain	3,757,442		80,652		3,544,205	132,585
12	Germany	3,730,115		90,966		3,605,200	33,949
13	Iran	3,105,620	+10,485	83,101	+136	2,760,229	262,290
14	Poland	2,878,840	+73	74,829	+1	2,650,648	153,363
15	Mexico	2,477,283	+1,578	231,187	+36	1,971,470	274,626
16	Ukraine	2,229,846	+323	52,032	+16	2,152,140	25,674
17	Peru	2,029,625		190,425		N/A	N/A
18	Indonesia	2,004,445	+14,536	54,956	+294	1,801,761	147,728
19	South Africa	1,823,319		58,702		1,647,503	117,114
20	Netherlands	1,678,983		17,726		1,601,922	59,335
21	Czechia	1,666,082	+57	30,280		1,633,162	2,640
22	Chile	1,517,018		31,513		1,445,703	39,802
23	Canada	1,408,836		26,076		1,371,000	11,760
24	Philippines	1,364,239	+5,249	23,749	+128	1,284,643	55,847
25	Iraq	1,287,465		16,885		1,200,103	70,477
26	Sweden	1,084,636		14,537		1,046,065	24,034
27	Romania	1,080,282	+26	32,391	+4	1,045,207	2,684
28	Belgium	1,079,415	+331	25,136	+4	1,016,574	37,705
29	Pakistan	949,175	+907	22,007	+30	893,148	34,020
30	Portugal	865,050		17,065		819,688	28,297
31	Bangladesh	856,304	+4,636	13,626	+78	785,482	57,196
32	Israel	839,867		6,428		833,061	378
33	Hungary	807,630	+202	29,959	+9	735,574	42,097
34	Japan	785,287	+1,309	14,423	+23	750,430	20,434
35	Jordan	746,480		9,662		730,185	6,633
36	Serbia	715,753		7,001		705,705	3,047
37	Switzerland	701,994	+367	10,872	+3	676,494	14,628
38	Malaysia	701,019	+4,611	4,477	+69	633,624	62,918
39	Austria	649,670	+94	10,680		636,365	2,625
40	Nepal	622,640	+1,584	8,772	+46	559,928	53,940
41	UAE	612,029		1,757		591,061	19,211
42	Lebanon	543,505		7,822		529,618	6,065
43	Morocco	526,651		9,238		513,681	3,732
44	Saudi Arabia	474,191		7,677		455,618	10,896
45	Ecuador	446,441		21,293		415,508	9,640
46	Bolivia	422,047	+1,086	16,132	+44	339,104	66,811
47	Bulgaria	421,032		17,990		392,816	10,226
48	Greece	418,342		12,542		399,006	6,794
49	Belarus	411,153	+475	3,053	+9	404,025	4,075
50	Kazakhstan	409,580	+930	4,242	+8	385,043	20,295

লল্লোন ইতিক তৌবদা মতম খরগী অয়াবা পীখ্রে

গাজা, জুন ২১ (এজেন্সী) :

গাজাদগী পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবদা অমদি য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদগী গাজাদা পোৎ চৈশিং পুশিল্লক্তুনা লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক্তা ইজরেলনা থা অমরোম অথিংবা থম্লুরবা মতুং নুমিৎ খরনিগী ওইনা অথিংবা অদু কোমথোকখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা গাজা ঙমখৈ শরুক্তা লৈরিবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা ইজরেলনা অথিংবা কোমথোক্লিবা অসি য়াল্লবদা নুমিৎ হুমনিদগী হেনগদবা মান্দে। অথিংবা কোমথোক্লিঙৈ মতম অসিদা টেক্সটাইলগী ওইবা থবক থৌওংশিং অমদি লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা পোথোকশিং থাদোক থাজিন তৌবদা অয়াবা পীরি।

য়ুমথংনরিবা লৈবাক ইজিপ্তকী মতেংগা লোয়নননা গাজা ঙমখৈ শরুক্তা ইজরেলনা অথিংবশিং থমজিন্দুনা লাকখিবনি। ইজিপ্তনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পেলিষ্টিনিয়ন রেবেল গ্রুপ হমাজ অমদি ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্স মরক্তা সিজ ফায়র তৌনহনখিবনি।

ইজরেলদা নৌনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা নফটালি বেনেটকী গভর্ণমেন্টনা কন্দিসন খরদা গাজগী শরুকশিংদা থম্লম্বা অথিংবশিং অদু কোমথোরকখিবনি। গাজাদা হমাজ অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সকী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখ্রবসু ইজরেল ফোর্সশিংনা মফম খরদা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থবগী থবক্তি লেপ্পা লৈত্রি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা ৪ শোক্লে

বর্লিন, জুন ২১ (এজেন্সী) :

বর্লিনদা লৈবা সিসা বারদা ঙসি থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা নুপা অহুম অমদি নুপী অমা শোকখ্রে হায়না বরলিন পুলিসনা ফোঙদোরকখ্রে।

পুলিসনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপদা থোকখিবনি। নোংমৈ রাউন্দ ৩০ রোম শক খঙদবশিংনা কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওইশিং অদু শোকখিবনি। মীওই অমদি মহাক্কী খ্বাংগী মথক থংবা হকচাংগী শরুকশিংদা নোংমৈ মরু ৮ লোম পানখি।

থৌদোক্তুনা শোক্লবশিং খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চত্থখি। মখোয় হৌজিক খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। থৌদোক্তুনা শোক্লবশিং অদু সভিয়ান সিটিজেনশিং ঙাক্তনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুলিসনা চিংনবা মীওই অমত্তা ফাবা ঙমদ্রি। অদুমওইনমক থৌদোক থোকখিবা মফমগী অকোয়বদা অহেনবা পুলিস পর্সনেলশিং থাজিন্দুনা থি হুন্দ্বগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি।

টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা বুসর ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট মতম খরগী ওইনা থিংজিনখ্রে

টেহরান, জুন ২১ (এজেন্সী) :

ইরানগী অমত্তা ঙাইরবা বুসর ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট টেক্নিকেল প্রোব্লেম খরা লৈবদগী মতম খরা থিংজিনখ্রে হায়না লৈবাক অদুগী এটোমিক ইনর্জি বোদিগী ৱারোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইরানগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা মেগাৱাট ১,০০০ গী রিয়েক্টর অমসুং বুসর প্লান্ট হৌখিবা কুমজা ২০১৩ গী সেপ্তেম্বর থাদা রুসিয়ানা মপুং ফানা শেম শাবগী থবক লোইশিল্লবা মতুং ইরানদা শিন্নখিবনি। চহী অদুগী অঙনবা মতমদা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুনা প্লান্ট অদুগী শরুক খরা অমাং অতা থোকহনখিবদগী রুসিয়নশিংনা শেমজিনবগী থবক চত্থখিবনি।

মদুগী মতুং কুমজা ২০১৫ দা ইরান য়াওনা মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক খরগা ন্যুক্লিয়র দিল তৌনখি। ন্যুক্লিয়র দিল অদুদগী হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা ৱাশিংটননা তোকখ্রবা মতুং ইরানগী মথক্তা ইকনমিগী অথিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা অথিংবশিং থমজিল্লকখিবনি। মদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা য়ুরেনিয়ম প্রদক্ত কা হেন্না পুথোক্কনি হায়না মালেমগী মীয়ামদা কিহনখি। পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৬ তগী রুসিয়ান অমসুং ইরানিয়ন অনীনা অহেনবা মেগাৱাট ১,০০০ রিয়েক্টর অনী বুসরদা শাবগী থবক হৌখ্রবনি।

গাড়ী ময়াম থেংজিন্নবগী থৌদোক্তা অঙাং ৯ য়াওনা ১০ শিরে

মিয়ামি, জুন ২১ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা অলাবামা হায়ৱেদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা মরম ওইরগা হায়ৱে অদুদা লাকখিবা গাড়ী ময়াম থেংজিন্নখিবগী থৌদোক্তা অঙাং ৯ য়াওনা পুন্না মীওই ১০ শিরে হায়না কাউন্টি কোরোনরনা ফোঙদোরকখ্রে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা বটলর কাউন্টি কোরোনর ৱেন গারলোকনা ফোঙদোকখিবদা গ্রিন ভিল মনাক্তা লৈবা হায়ৱে অদুদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা গাড়ী থৌরক্লিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহনখিবগা লোয়নননা কন্ত্রোল ঙমহৌদবদগী পরেং শাংনা লাকখিবা গাড়ী ১৫ রোম থেংজিন্নখি।

থেংজিন্নবগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা এস য়ু ভি তোংদুনা লাকখিবা মপা অমগা লোয়নননা চহী নৌরিবী নুপীমচা অঙাং অমসু য়াওরি। কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিংবু চিলদ্রেন হোমদা পুনবা লাকখিবা গাড়ী অমসু নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা তুংদা লাকপা গাড়ী অমনা অকনবা মওংদা থোমজিল্লকপগী থৌদোক্তা গাড়ী অদুদা তোংলকখিবা চহী নৌরিবা অঙাং ৮ শু শিখি।

ঙরাং অলাবামা হায়ৱেদা থোকখ্রিবা লাইবকথিবা থৌদোক অদু বটলর কাউন্টিগী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবকথিবা থৌদোক অমনি হায়না কাউন্টি সেরিফ দেনি বোননা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা থৌদোক অদুদা মীওই ৮ শু অশোক অপন নংহনখি। অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা গাড়ী থৌরক্লিবা মীওইশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়না মায়কৈ খরদগী কমপ্লেন লাকখ্রবা মতুং কাউন্টি সেরিফশিংনা গাড়ীশিং নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা থৌহন্দনবা মরী লৈনবা ট্রাফিক দিপার্টমেন্টতা খঙহনখ্রবা মতুং হায়ৱে পেট্রোল চৎপদা এক্সিদেন্টগী থৌদোক অদু থেংনরকখিবনি।

ওইরম্লিবা ফীভমশিং অদু উবদা কাউন্টি সেরিফশিং অদু চাওনা নীংবা কায়নখি। খুদক্তা এম্বুলেন্স তৌদুনা অশোকপশিং হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টকী থবক চত্থখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদু চহী ১৭ কী মখাদা লৈবা ঙাক্তনি। অশোকপা অঙাংশিং অদুগী মনুংদা অনীগী ফীভম লুনা লৈরি হায়না দেনি বোননা মখা তারি। পনবা য়াবদি গ্রিন ভিলদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী হেন্না মীশি মীনা থোকহনবা অমদি লাইবক থিবা থৌদোকনি হায়রি।